ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুলাই ০৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৯৯শুবা মশীং

# পুলিস কষ্টদিদা মীওই ১৭২৭ শিখিবা

## হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা নীংথিনা ট্রেনিং পীবগী তঙাইফদবা

নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি)না খ্বাইদগী ইকোন-কোন্না ফোঙলকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না কুমজা ২০০১দগী কুমজা ২০১৮ ফাওবদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই ১,৭২৭ পুলিস কষ্টদিদা শিখি হায়রি। টামিল নাদুগী টুটিকোরিনদা হন্দক্তা পুলিস কষ্টদিদা মপা-মচা শিখিবগী থৌদোক্লা মরম ওইরগা পুলিসকী কা-হেনবা থৌওংবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। টামিল নাদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা শন্নপ্পা ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অমনা হায়, লৈখিদ্রবা মপা-মচা অদুনা লোকদাউন মনুংদা অপীবা মতমদগী হেন্না শাংথনা দুকান থোঙ হাংই হায়বগী মতাংদা পুলিসনা জুন ১৯দা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি। এফ আই আর অদুগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মপা-মচা অদুনা অপীবা মতমদগী হেন্না শাংথনা দুকান থোঙ হাংখিবগা লোয়ননা পুলিসতা উশিৎ-থৌওইদবগী থৌওং চৎথখি হায়রি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনদি মরাল লৈজদবা মপা-মচা অদু পুলিসনা ফারগা কষ্টদিদা তমথিনা ওৎ-নৈবদগী লৈখিদবনি হায়না মরাল শীরি। নাকল অনীমক্কী ৱাফমদা কনানা চুম্বগে অমসুং কনানা লানবগে হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রবসু লৈবাক অসিদা মীওই কয়া পুলিস কষ্টদিদা শিবগী থৌদোক থোকখ্রে হায়বসিদি পূম্নমক্কা খঙনরবা ৱাফমনি। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি)না পুলিস কষ্টদিদা মী শিখিবগী দেটা চহী খূদিংগী ফোঙদুনা লাক্লি। খ্বাইদগী ইকোন-কোন্না ফোঙলকখিবা এন সী আর বিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০০১দগী কুমজা ২০১৮ ফাওবদা মীওই ১,৭২৭ পুলিস কষ্টদিদা শিখি হায়রি। চাংচৎতা পাঙথোক্লবদি চহী খূদিংগী মীওই ৯৬ কষ্টদিদা শিবগী থৌদোক থোক্লি। কুমজা ২০১৪দগী কুমজা ২০১৮ ফাওবদা খ্বাইদগী য়াম্না কষ্টদিদা মী শিখিবা ষ্টেটশিংদি মহারাষ্ট্র, অন্ধ্র প্রদেশ, গুজরাত, টামিল নাদু, উত্তর প্রদেশ অমসুং মধ্য প্রদেশনি। মহারাষ্ট্রদা মীওই ৭৮, অন্ধ্র প্রদেশতা ৭০, গুজরাততা ৫২, টামিল নাদুদা ৩৫, উত্তর প্রদেশতা ৩০ অমসুং মধ্য প্রদেশতা ৩০ শিখি।

অমরোমদা নেসনল কেম্পেন এগেনষ্ট টোর্চর (এন সী এ টি)না হন্দক্তা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই ১,৭৩১ কষ্টদিদা শিখি। জুদিসল কষ্টদিদা মীওই ১,৬০৬ শিখিবনি অমসুং পুলিস কষ্টদিদনা মীওই ১২৫ শিখিবনি। মমাঙ চহীদা মণিপুরগী ওইনা মীওই অনী কষ্টদিদা শিখি। পুলিস কষ্টদিদা মীওই ১২৫ শিখিবগী মনুংদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবা ষ্টেট উত্তর প্রদেশনি। উত্তর প্রদেশতা মীওই ১৪; টামিল নাদু অমদি পঞ্জাবতা মীওই ১১/১১; বিহারদা ১০; মধ্য প্রদেশতা ৯; গুজরাততা ৮; দিল্লিদা ৭, ওরিষাদা ৭; ঝরখন্দদা ৬; ছটিশগরদা ৫; মহারাষ্ট্রদা ৫; রাজস্থানদা ৫; অন্ধ্র প্রদেশ অমদি হরিয়ানাদা ৪/৪; কেরলা, কর্নাটকা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৩/৩; জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং উত্তরখন্দদা মীওই ২/২ লোয়ননা হিমাচল প্রদেশ অমসুং তেলঙ্গনাদা মীওই অমমম্ শিখি হায়রি। এন সী আর বিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০১৮দা তোঙান-তোঙানবা কেস ৫,৪৭৯ পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌখি। অদুবু চেন্নবা পর্সনেল অমত্তা কনভিক্সন পীখিবা লৈতে হায়রি। মোদেল পুলিস এক্ট ২০০৬কী মতুং ইন্না পুলিসকী মরু ওইবা থৌদাংদি মীচম মীয়ামগী পূন্সি ঙাক-শেনবা, ক্রাইম থোকহন্দবা অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক-শেনবনি। পুলিসনা কনাগুম্বা মীওই অমবু মতীক চাবা মরম লৈতনা ফাবা য়াদে। ফূবা-চৈবা অমদি কিহনবসু য়াদে হায়বা ৱাফম "গাইদলাইন্স ওন ইফেক্টিভ পুলিস মেনেজমেন্ট"তা ময়েক শেংনা য়াওরি। কনাগুম্বা মীওই অমা পুলিস কষ্টদিদা শিখিবা থোক্লবদি পুং ২৪গী মনুংদা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা পীখৎপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মেজিষ্টেরিয়ল ইনক্বারি চথুগদবনি হায়বা ৱাফমসু গাইদলাইনদা য়াওরি। রুল অমদি গাইদলাইন ফনা য়াম্না শেন্লবসু থোইদোক্লা কান্নফম খঙদবগী মওং অমা উবা ফংলিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না লৌফম থোকই। অতোপ্পা ৱাফম অমনা পুলিস পর্সনেল অয়াম্বা হ্যুমেন রাইট্সকী মতাংদা ট্রেনিং তৌদে হায়রিবসি তরাইনা লৌবা চূমদে। এন সী আর বিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ষ্টেট অয়াম্বদা পুলিস পর্সনেলশিং হ্যুমেন রাইট্সকী মরমদা নীংথিনা ট্রেনিং তৌদে হায়রি। কষ্টদিদা মী শিবগী থৌদোক তোয়না থোক্লিবসি পুলিস পর্সনেল পূম্নমক হ্যুমেন রাইট্সকী মতাংদা নীংথিনা ট্রেনিং তৌহন্দবদগীনি হায়বা য়াই।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### পাউচে য়েনবগী থবক তৌবীরিবশিংবু ইকায়খুম্নসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

নোংজু-নুংশা খায়দনা মীয়ামদা পাউচে ফংহন্নবা হোৎনরিবা হোকরশিংসু লৈবাক মীয়াম্না নুংশিফম থোকই। লোকদাউন লৈখিদবদগী মীপুম খুদিংনা ৱানবগুম হোকরশিংসু য়ূম পুনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনদবা নত্তে। নোংমা হোকর অমনা য়ূমদা পাউচে পিবা লাকপা মতমদা ৱারী শাবদা খঙবা ঙমখি মদুদি হোকরশিংনা মরুওইনা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা অৱাবশিং অসি পাউচে লৌবিরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা মতম চানা বিল পীবিদবা অসিনি। অমরোমদা নোংজু-নুংশা মরক্তা পাউচে ফংনবা হোৎনজরবসু নোংমতং পাউচে থেংনা য়ৌবা মতমদা তাথী-তাওইনা ঙাঙবিবা য়াওদবসু নত্তে। হোকর অদুনা ঐঙোন্দা তন্নখিবা ৱাফমশিং অদু তারুরগা ইশা ইথন্তা ফাওবা নুংঙাইজদবা য়াওখি। মরমদি ইশামক্লসু হোকরশিংদা ৱারৌবা অমদি শাউবসু য়াওখিদবা নত্তে। মরম অদুনা পাউচে লৌরিবা মীপুম খুদিংমক্লা হোকরশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি উবিরদুনা মতেং পাংবিফম থোক্তবরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। ঐখোয়না হোকরশিংদা মতেং পাংবা হায়ববু শুপ্পগী মতম চানা বিল পিথোকপা অদুনা অচৌবা মতেং পাংবা হায়বদু ওইগনি।

হোকরশিংগী ৱাকৎশিংগী মনুংদা ইম্ফালদগী অথাপ্পা মফমশিংদা পাউচে য়ৌরক্ত্রিঙৈদা সোসল মীদিয়াগী খুৎথাংদা পি দি এফ ফালইদা পাউচে ফংখিবনা পাউচে লৌবগী চাংসু হন্থরে। লোয়ননা মীয়াম্না খঙবিরম্বসু য়াই মদুদি পাউচে লৌরিবশিংনা থাগী ওইনা পাউচেগী বিল পীরবসু হোকরশিংনা পাউচে য়ূমদা পুদুনা লাক্লিবসি পাউচেশিং অদুগী ফার্মশিংদগী শেল পীরগা লৈদুনা পুরকপা ঙাক্তনি। ৱাফম অসি খঙলকপা মীকুপতা হোকরশিংনা থেংনরমগদবা অৱাবশিং অদু মীৎতা উরক্তুনা ইকায়খুমনিংবা উৎনিংই।

য়ূমদা পাউচে পুদুনা লাকখিবা হোকর অদুনা পীবিরম্বা লাইরিক পারুবদা খঙবা ঙমখি মদুদি হোকরশিংনা করি-করি অৱা-নুংঙাই থেংনবগে হায়বদু। সমোম রঘুমনি কৌবা মীওই অমনা হোকরগী শিনফম অসিদা চহী ১৮ থবক তৌবদা থেংনখিবা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী ওইরিবা 'শিনফমদুদা' হায়রিবা লাইরিক অসি পারুবদা থম্মোয়দা ফাওরকপা অদু মীয়ামদা পাউদমজবনি। মরম অদুনা পাউচে পাবিরিবা মীওইশিংনসু মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খন্থমিন্নসি। লোয়ননা শিনফম অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু ইকায়খুম্নসি, ঐখোয়না নুংঙাইনা তূম্লিঙৈদা প্রেস মীদিয়া অমদি পাউচেবু য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা ইচিল-ইনাওশিংদি তূমদনা নুতিগী থোক্লিবা ঈ-পাউশিং ঐখোয়দা য়ৌহন্নবা হোৎনরিবনি। মরম অদুনা পাউচে লৌবিরিবা মীওইশিংনা হরাউ-হরাউ মখোয়গা লোয়ননা নোংমতং ওইরবসু মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিংগী মতাংদা ৱারী-ৱাতাই শাবিদুনা মখোয়গী হোৎনজমনগী ফংফম থোকপা থাগী বিল পীথোকপিনবা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয়না পারিবা পাউচেগী মমলদগী পাউচেনা পীরিবা কান্নবশিংনা হেল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা শিনফম অসিদা থবক তৌরিবা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপিদুনা ইকায়খুম্নসি।

*অদোমগী :- মাইবম সোমেন*
*লাংমৈথেৎ ময়ায় লৈকায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট*

# কোভিদ-১৯গা হোকরগা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঐনা তন্দুনা অয়ুক পং ৮ তারকান্দা ওৎলৈ পারে তৌরগা য়াহৌরি। নিংথমথাসিমসু উনগা লৈচিনগা য়েমৌনজবা ঐগী ইফমদদি থোইনা হেন্নমুক তনজখ্রে। অয়ুক পুং তারা তাদ্রিফাওবা মীৎ উইশিল্লগা হিপচিনবদা থোইদোক্লা মহাও লৈখ্রে। তুমবদগী হেন্না নুংঙাইজবা অমা অনীবুদি লৈরম্বা য়াই, লাই মানা তশেংনা লৈরম তারদি মহাক অদুনা শারকপা পোৎশক ময়ামগী মনুংদা তুম্বা অসি ঐগী খ্বাইদগী ঙাওজবা হীরম অমনি। অদুনা লাই মাবু এৱার্দ অমা পীরম্বফাও ঙম্মি। তুম্বগী মনুংঙাই অসি হন্দক্লা খরগা অমুক হেন্না হেঞ্জিল্লকপদৌনা তৌরি। তুম্বা পামজবা ঐখোয়দদি য়ুমগী হোম মিনিষ্টরনা মশক ফনা ফজরসু য়াহৌ থেংলে লেঙখৎপীরো হায়না নোং খোংগুম লাওথরকপদা লুখুমদা ফজনা ফেংলগা য়ান্দুনা থল্লিবা য়েক্লবদা শিজিন্নগদবা থাংশাং অদু খুদক্তা অফিং অফাই ওইনা শৎলগা হৌজিক্কিদু করি ৱাঙাংনো হায়না অফিং কাজরিবনি।



শেল পাইদবা অসিনা ওইরমগনি ঐনা তুম্বা নুংঙাইরিবা সিমসু। শেল পাইবা মী কয়া তুম্বা নুংঙাইতবগী ৱারী তাজে। মখোয়সু ঐদৌনা শেল পাইদ্রকান্দা খঙলক্কনি শেল পাইদ্রগা তুম্বা কয়াম নুংঙাইবগে হায়বা অদু। অসুক নুংঙাইখ্রবা তুম্বা অসিবু খাঙঙুথক্তা থুগাইরগা থাঙজমগী তাদা ইনাওচানা পাউচে থাবা মাইকৈ শিন শিন্দুনা চৎপা অসিনি। কয়াগী মতিক মথৌনা ফখ্রবনো? মাদি মাগী তুম্বা অদু তুমগনবা ঐখোয়গীদমক কখোকচখ্রে।

হান্নদি মহাক মশা ফরমদে। মমাইগাদু ঈ থাংলমদে। মানম ইপোন পোল্লম্মি। তুশোন মানশোন্নরদনা লৈরক মচি অমদা অঙাং খরগা পারগা ৱাকাই ঙাংদুনা থক চাদুনা লৈজরম্বনি। হৌজিক্তি হোকর ওইখিবদগী মদু উখিদ্রে। নুমিৎ খুদিংগী মীনা নাতোন খরা থুগাইরক পীশুম খরা থুগাইরক তৌরম্লবনি। কদাইদগীনো খঙহৌদে পাউচে য়োনবা য়াওরে হায়দুনা সাইকল মন্দিলা কিদিং কিদিং খিংদুনা গাড়ী পাউচে য়াওবা পাইতু খাও অমা য়াল্লগা তুপি ও করি ও থৌরকই। হৌজিক্তি মাসু তুম্বা খরা থুগাইজবগী মহয়না গাড়ী মচা অমা লৈখ্রে।

মশাসু য়াম্না ফখ্রে। নুমিৎ খুদিং চাং নাইনা সাইকল থৌরবনিনা মশা ওখাক ফরে। নোং ফাদোক সাইকল থৌবগী নুমিৎ লাকপা মতমদা পাউ চেদা হাপ্পবা ফেসবুক্তা থাগৎনবা পোজ তৌরগা কাপ্পা ফোটো খুকাপ অদুনদি থোইনা মশা ফরোই। মদুদি মশাদি লাইরদনা ৱাখলফাও মশা শুকফ ফরোই। চৎনবী অমা ওইনা হন্দক চহী খরসিদা উখৎলক্লি। সাইকল অহনবা অমা মতেক অমা থৌরগা তা কেশোনা নহান ফেসবুক্তা থাগৎপা উখি। বোনি, গোকুল, কাইকুনা ফিল্মদা ঙাইহাক পুলিসমেন শাবদৌনা। চহী অমদা সাইকল অদু অমুক থৌরবদি চহী মঙাদদি সাইকল মঙারক থৌদৌরিনি অদুগা বী পি পোকখাইরগা অদুম লোইরে। অহানবদা অসিগুম্বা অখন্নবা নুমিৎ খক্তদা উ থাবা অমদি সাকল থৌবা উবা অসি উবদা ওখাক হৈনরমদে, মীৎ ফজনা নাখি, শাওনিংলম্মি অদুবু হৌজিক্তি অসিগুম্বা অসি তোইনা উমন্দনা থোইদোক্লা শাওনিংলক্রে। মী খৈবিকমক লোইনা ঐ ঐ লোইনা ফৈ হায়নিংবা ঙাক্তনি। হৌজিক্তি মীনা ফৈ হায়নরক্ত্রিঙৈ ইশা ইশানা ওইনা শৎ শৎ হেক্তা ঐ ফৈ হায়না ইশা থাগৎপা ওইনা ফোটো থাগৎপা ইকোম কোল্লে। পাউচে য়োনবা হোকর মীয়াম অমনা চহী কয়া সাইকল তোংলগা পাউচে লৌবা থিনবা অসি কনা অমত্তনা ফোটো থাগৎপা ইমিৎসিনা উজখিদ্রি, ইনাসিনা তাজখিদ্রি অমদি মসি কনা অমত্তনসু মতৌ তম্নিংদে। খরা মচিন চৎপা মশক মতৌ ফজবা মীনগা ওইরদি সাইকল থৌবা লেম্নবা ওইনা খন্নে। সাইকল থৌবা হকচাং ফৈ হায়বা লোইনা খঙনৈ অদুবু ইশা ফদৌ শুরক য়াহৌ থেংনা হৌজরগে হৌগৎচগে। অমরোমদা মশা ফরগদবা মী হায়বা সিদি তোঙান্নবু লৈবজাৎলা, শাজেল তৌগে তৌ তৌরোই তোকউ অদুম মশা ফজরগদবনি হায়না ঐনা ঐগী নুপীদা পাউতাক পীশিল্লিবনি। হৌগৎনিংদ্রিবা মীবু ঙনতা হৌগৎহল্লগা উরোং শুমজিৎ পাইরগা শুমাং ৱাই শিৎলু হায়বা অসি থম্মোই কয়াদা কাইখ্রবনো? শাওনিংবা অমনদি মসানা তিমেন তা পাইরগা থজিন তম্না লংশিল্লক্কে হায়দৌরিপোৎনি।

কোভিদ-১৯ মরক অসিদা থৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা তুম্নিংবা কোঙ্গাই হুন্দোক্লগা তনখ্রবা নিংথম থাগী উনখারক্তা পাউ চে থাবা চৎলিবসে ফনদি উয়িন কনবজাৎনি। হে অথৌবশা নখোয় নথৌনা হনবীগনু মীচম মীয়াম অমদি ঈ পাউ ফংহল্লিবা নখোয়বু থাগৎচরি। নখোয়বু নোংমা মীয়াম্না তরাম তরাম্না ওক্লরক্কনি। নখোয় লাল কয়া থেংনরক্লবনি। ঐখোয়না মীখলদা মাই পাক্লকপা মীখক্তবু লৈ হুক্তুনা লেংবান্দা তোংহনবা দোলাই তোংহন্দুনা পুবা অদুম্মাইনা নখোয়দসু অদুম নোংমা তৌবীরক্কনি।

বন্দ, বোইকোৎ, কোভিদ-১৯, কর্ফিয়ু, নিংথমথা, কালেন, নোংজুথা, তুমিৎ-কাং, গুন্দা ফাদা, মী ফত্তবা ফত্তবী মীয়াম অমা থেংনরগা লাক্লবনি নখোয়। অসিগুম্না ৱাজরবা মীশক নখোয়না থা অমা ফারবা মতমদা নঙগী পাউচেগী শেল নঙনা হায়জরকপা মতমদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শেল লৈত্রে হায়না শেল পীগন্দবা মী অদুমদি ওইবা ঙমদ্রি ঐ। খৈনি কৌতা অমদা লুপা ১২০দা চাবা ঙম্বা ঐনা (ৱারীনিকো), নখোয়গী শেল করিগী মতাং চানা পীবা ঙল্লোইদগে হায়না কন্না খনবা হৌরক্লি ঐ। ●

# অনৌবা মপোক ওনবা ঙম্নরকপা

**নবকুমার ওইনা**

হিংনা-হিংনা অনৌবা মপোক অমদা ওনবা য়ারে। অঙাং ওন্দবীদা মপোক ওনবা য়ারকপসিদা মীওইবগী হান্নগী তাইবঙপান্দু লোইশিনখ্রে হায়না লৌবা তারে। হন্দক অনৌবা মহিক অমনা মীওইবগী ৱাখল লৌশিং পূম্নমক হোংহনবতা নত্তনা হিংবগী শাজৎ, লৈঙাক্কী শেম-শাবদা লৈবাক অমগী তাঙ্কক-তাঙ্কক্কী অহোংবা কয়া উনরক্লি। লাইশঙ থিংলিবনি।

মীওই কয়ানা ঙাঙনখ্রিবনি কুমজা ২০২০দা মালেমসি লোইরনি, অনৌবা তাইবঙ অমা লাক্লগনি। মদুমক থোক্লে, পাউরৌ ওইনা হায়রম্বা কয়া থোক্লরবা মতমদতা ময়েক শেংলকই। মাইবী চঙবা হায়গদ্রা, লাই তোংবা হায়গদ্রা, মীওইবগী ঔরা নৎত্রগা এক্সত্রা সেন্সরি পর্সেপসন ৱাংবা খরনা তুংদা থোক্লগদবা থৌদোক কয়া মাঙ-জৌননা ফোঙদোকপা ঙম্বা লৈরিবনি। লমদম অসিগীসু লশিং লুপখিগনি, নূং তাওগনি হায়রম্মীবনি। খঙনরকপদদি অথোৎপা অমেংবা ৱাখল্লোন মাঙশিল্লক্কনি, নূংগুম্বা থম্মোয় চেনবা মী য়াম্লক্কনি হায়বা ওইরম্মীবনি। ফৈজোম খোংদায়গী ৱা লৈরি।

হৌখিবা মপোক (হন্দক্কী মপোক্কী মমাঙ অমসুং মতুং) অমসুং মথংগী মপোক হায়বা উদবা অনীগী মরক্তা থাজবা অমনা শাগৎলগা মপোক-মপোক্কী হায়বা ৱাখল অমদা মীওইবা ঐখোয়না মী ওইনা পোকপগী চাউথোকচবা অমগা লোয়ননা হিংনরিবনি। হন্দক্তি হৈ শিংবগী নাপলনা ঙমখিদ্রে, মালেম পূম্বা উমংদা লৈবগা মান্নখ্রে, চখোকপা য়াদনা থা অনী-অহুম পাড়া অমা তাকপীরে। খূৎ চাম্বা হৈয়ু, ইশাগী খনবা মওং হোংদোকউ, মীগীসু খল্লু, পুক ফত্তবা থাদোকউ, মীঙোন্দা পীজবা পাম্মুগনু, নুংশিনৌ, লৈঙাক চেৎনা শেম্মু, হুরান্নগনু হায়বগুম্বনি। মরক অসিদা ব্রাওন শুগর লল্লোনবা তোকপদি লৈতে। মপোক ওনবা ঙমদবশিংনি হায়বা তারি। লম্বীদা শেল মৎপা তোকপা নত্তে, পোৎ মমল হেনগৎনা য়োনবা কয়ানি। লল্লোনবগী মওং খরা হোংজরবসু শেন্দোং হেন্না ফংবগী মওংদা লাক্লিবনি। নূং কেক্লবগুম খূৎলোকপী মরূ য়াংখৈ-হুম্ফু চাইখায়রগা লোকপা য়াম্বা তান্নরক্লিবনি। লৈঙাকসু হিদিঙ্গা লল্লোনবা মাল্লক্লি।

মহিক অমা থেংনবসু লান্নি হায়না লৌনৈ, লান মনুংসিদা লম মুন্নবগী লান কয়াসু তোকপা লৈতে। লমদম অসিদসু চীংজাওদগী ওন্থরকপগুম লৈবাক অমা পাল্লম্বদুদগী চীংখোংদা ষণ অশিবা ওন্থরক্লব্রা হায়বগী লিলা মানবগুম উরক্লি। হীদাক লৈবা নত্তে, মচিন-মনাওনি, ইচা-ইশুনি, পোক্লফম লমদমনিদি হায়বা, অনাবা পুশিল্লগা লাকপা লিশীং হেল্লবনি। মপোক ওল্লিবসি অনাবা পুরগা লাক্লগা লায়েংবীবদা ফহল্লকপা অসিনা ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা চখোক্তবী অসুম লৈরম্বদগী কোম্থোং লোনশিল্লগা ক্বারন্টিন তৌরগা লৈবশিং অসিনা ওইগদৌরিব্রা। লৈবাক অতৈনা ৱাবগা লমদম অসিনা ৱাবগা মান্নদে। পোখোক পুথোক্তবা ঐখোয়দি মাঙবু মাঙদে। চাবখক্কী হায়রবদি লম্পান তাল্লগা চারি, লফু চারি, শিখিরোই হায়বা য়ারিবনি। করিসু হেন্না তৌরোইদবা ঐখোয়দি করিদা ৱাগদৌরিবা? চেঙ য়েল্লি, হৱাই য়েল্লি, ময়ামগীনি খরা ৱাৎপা-হেনবা য়াওবা তাবনি। লৈঙাক্লসু তৌবা য়াবা তৌরি, মখোয়না লোইনা থাকপবু মানশিল্লক্লি। লৈশৌ শৌবগুম্বনি, মপি অমা লৈগনি, মচা পঙপোক্তা পোক্কনি, ময়ূম-মকোন শাগনি, মচিঞ্জাক থিগনি। লেম্না পীজবসু অহাওবা চানীংগনি, পীজরিবনি, নুংশিবগীনি, ভোট পীরক্লবনি। মপোক ওনগনি খঙদবদগী খৎনা-চৈনবসু য়াওরিবনি। কোভিদ-১৯ নাবগী মশীং হেনগৎলিবমখৈ ভোটসু মশীং হেন্না ফংনবা য়ারিবনি। লৈঙাকসু মীয়ামসু অসুম্না-অসুম হিংবা ঙল্লগদৌব্রা? মপোক অমা ওল্লবশিং ৱা খন্নবদি হৈরদরা? হান্নদগী হৈরক্ত্রদি কদায়দগী হৈরদগে? ৱা খন্নবা হৈবগী ৱারী লৈখিব্রা? ৱাথোক ওইবা ৱারী ময়ামদি লৈরিবনি, ৱাথোক্কী ৱাথোক ঙাক্তনি। মদু মথং-মথং নংলক্লবা লৈবাক অমনি, মপোক কয়ারক ওল্লক্লবনি। লিন্না মকু হুবদি পুন্সি শাংদোকই, তিনখাক্লা মকু হুরগা কুরাক ওনখি। লৈবাক অমনা মপোক কয়ারক ওল্লকপবু করিদা ফগৎলে হায়গদৌরিবনো? কোরোনাসি করোর-করোল তানবগীনি হায়নবসু য়াওরক্লি, মীয়ামসিনা ইখঙ খঙনবা ৱানি। চাক-এঞ্জাং হাওনা-ফজনা পীজবা, লেমহৌবা শেলদু অমুক য়েনগদৌরিবনি। অদুদবু ভোটসি কাদ্রবদি কাদ্রবা হায়বদুনি। মসিসু মপোক ওনবা ঙমদবা চিংগদৌরিব্রা, অনৌবা অমদা শেল লৌদনা অফবা মী খল্লগা ভোট পীবা হৈবদুবু মপোক খঙবনি হায়রক্লি।

মদুমক হেক ঙল্লগনি হায়বদি থাজদ্রি, পংহায় হায়বা মাল্লি। মদুমক হায়রম্বা নুপাদুনা ময়ূমদা হঞ্জিনখিবদা ইমুং-মনুংনা ঙা থোংলম্বদা কদায়দগী ঙানো হংলুবদা ভোটকী য়েল্লম্বনি হায়রকপদুনি। হাওবু হাওইনে হায়না খুম্বজাৎনি, মালেমগী অতৈ মফমদা তৌনবা নত্তে, লাই লৈবাকসিগী চৎনবীনি। লাই লৈবাক্তা অদুম লৈগে হায়ব্রা, মী ওল্লগা মী মরক্তা থবক শূরগা হিংগে হায়ব্রা? মপোক ওন্নরিবসিদা য়াওরোইদৌরিব্রা?

লমদমসিবু মপোক কয়ারক ওল্লক্লবনি হায়বগে? মশীং খঙবা নৎত্রেদা। ইবুধৌ পাখঙবনা ষণ অশিবা ওল্লগা তাওথরকপদা খঙবা ঙম্ববু পাখঙবা কৌখি হায়নবনি। চীংদগী ষণ অশিবা ওইনা ওন্থরকপদা কয়ারক ওনবা কনানা খঙগনি। টিৱেটকী টায়দগী ওন্থরকপদুনা শান্দগী অমুক কাখৎলকপা, কৌব্রুদগী কুমথরকপা, য়াইঙংপোকপীদা ওক্লাও য়োকপা, থাংজিং চীংদগী কুমথরকপা, হৌবী চীংদগী কুমথরকপা, শুগুগী চায়রেলদগী হিদান্নরকপা, য়েক সলাই খায়রগা পূন্না তোৎশিন্নখ্রিবা, লৈবাক মচা-মচা খোমজিল্লগা মোইরাংখোমদা মোইরাং মকোক ফুমখিবা ফাওবদা ওন্থরিবসি মশীং খঙবা নত্তে। হিংবা ঙম্নবগী শাজৎসু নত্তে, অচাউরম কাবগী ওইবা তাবনি। অদুনবু ঙসিদি হিংদ্রেদনা, অশিবনা খোংবা তাগে হায়রবদি লমদম অসিদা তাবা নত্তনা মফম অমদা ফংগদৌবা নৎত্রে। খোঙলিবসিসু জাৎ-ওল্লগা খোংবা ওইগদৌরি, জাৎ-ওনবা হায়বসি মপোক ওনবা নত্তে। খৃ: ১৪৩২দদি তোৎশিন্নবদা মপান্দগী (নোংচুপ) য়াওবা হৌরে। ফুরুপ মনুং নত্তে, ফুরুপ ওনবা হায়বা য়াদে। মখোয়দি জাৎ হায়বনিনা জাৎ ওল্লকপনি। মখোয়দদি মপোক ওল্লকপনি হায়বসু য়াই। খৃ: ১৭০৯দদি মপোক অমুক ওল্লে, লাই ফাওবা ওন্থোকপা ঙম্বা য়াওনরে। মীওই খরদি মপোক ওল্লবা হায়বদুনি। থবক শুদনা চাবা য়ানবা লাই শেন্নবা মী খংয়াম য়ামখৎলকপনি। কোনুংগী মী অয়াম্বা মপোক অমা ওল্লবগুম্বনি। নিংথেমকোন্দা লুম্নবা, অপান্বীনা গোপালদাসকা মরী লৈনরকপা হৌবদগী শারমচৎকী মপোক অমদা ওল্লে হায়নরে। কোনুংগী মচিন-মনাওশিং জাৎ অমা ওইখ্রে, মীচাবোক্তা চঙজবা হৈখ্রে। খৃ: ১৮৯১দদি মীনাইগী মপোক ওল্লে। টিকেন্দ্রজিৎ ফারগা হাৎপা হায়বসি লৈবাকসি মপোক ওল্লে হায়বনি। হন্দক্লা মীওই মরি ফারগা পার্টি ওন্থোক-ওনশিন তৌবা য়ারিবসি টিকেন্দ্রজিৎ মরি ফাবগুম্বনি। মপোক অমা ওল্লিবনি। মর্জরদা মপোক অমা অমুক ওল্লে, মদুসু নাটপুদি ওন্দ্রবসু য়াগনি হায়বনি, মদুনা হেন্না নাট শোকচিল্লে। কোনুংসি লৈঙাক্কী লাই লাৎফম ওইখ্রে। হৌজিক ফাওবা লৈঙাক ওনবা হায়রিসে মী খরদি মপোক ওল্লিবনি।

পুল্লপসি আৱা ওল্লুরবনি, পুল্লপসি ইংলিস ওল্লুরবনি, মৈতৈ ওল্লবা খুমন-মোইরাংনি, হৌজিক্লা মণিপুরী ওল্লব্রা? ইন্দিয়ান ওনবসি য়ানীংই-য়ানীংদে খঙবা নত্তে, খন্নবা য়াওবা নংহৌবা নত্তে, মহৌশাসু অদুনি, মীওই অনী অহুম্না পংওন্দা ওনখিবগুম্বনি। চীংথক্তগী ষণ অশিবা ওন্থখিবগুম পংওন্দা ওন্থখিবা মাল্লকপদুনি। ওন্নিংবা অমদা ওনবদা কনানসু থিংগদৌবা লৈবা মান্দ্রে। ৱারেপ লৈতবগী ৱাতনি, ৱা খন্নবা হৈত্রিবগী ওইফমবু থোকই। য়াগে য়াও, য়ারোই তোকউ মপোক অমদা ওনশিনবা তোকপা নত্তে, ৱান নেসন ৱান ভোইস হায়রিবসি মপোক ওল্লিবনি। ফুদিত্তা মাঙজোং শান্নবনি, চহী লিশীং চঙগনি। মপোক ওল্লদৌবনি খল্লগা চৎখিবা খরনা তিঙ্গোং ওনখিবগুম্বনি, মায়কৈ লেপ্পা ঙমদনা লৈখ্রবনি। হংবা লেপ্পা নত্তে, অৱাং কদোম, মখা কদোম, চাক চারিব্রা/চাদ্রবরা খঙবা নত্তে। মপোক অমদবু ওনখ্রবনি হায়বা তারকপনি।

হৌজিক ফাওবদা মানা-মানা পাম্বদা মপোক ওল্লবগুম লাই অনীংবা নীংই, মনীং তম্মী, পার্টি য়াওনীংবদা য়াওই মনীং তম্মী। চোঙনীংবদা চোঙই মনীং তম্মী। ৱাৎলিবদি ৱারেপ মান্নবা ঙমদবা অসিনি। হোংবদি পূম্নমক অমা নৎত্রগা অমদা হোংনরিবনি। ৱারেপ মান্নদ্রিবসি ৱাখল মান্নদবগীনি, ৱাখল মান্নদ্রিবসিনা খঙবা মান্নদবগীনি। খঙবা মান্নদ্রিবসিনা পাবা/তম্বা মান্নদবগীনি। পাবা/তম্বা মান্নদ্রিবসি মশাগী মরৈবাক মান্নদে, লমদি অমত্তনি, মমিং মান্নদবনি। মশা-মশাসু লমদমসিগী মী ওইনা লমদমসিবু নুংশিবদি পোক্লরে, মমিংতনি তোঙান্নিংলিবা। তোঙান্নিংলিবসি মমিংদুনি, লৈবদি পূন্না অদুম লৈরক্লিবনি, লৈখিগদৌরিবনি। মদুতং খঙবদা লান কয়া মাঙখিগদৌরিবনি, ৱাথোক কয়াসু মাঙখিগদৌরিবনি। ওনবগী ওনবা অদুম ওন্দুনা লাক্লিবা মপোক কয়ারক অমগা ওনবা কৈদৌবা। তৌবতবু ময়াম পূনবা অমা ওইসি হায়বতনি। মীওই অনী-অহুম্না পংওন্দা ওনবদু কুইনা চৎত্রে, ময়াম মান্নরগা ওনবা হৈবসু মপোক অমা ওনবগুম্বনি হায়বগী ৱাতনি।

মপোক ওনবা হায়রিসে ঈ ওনগদৌবা নত্তে। ওনবা-ওনবা হায়দুনা থাজরিবদুসু ওনগদৌবা নত্তে। ওনবদুগী মমিংতং ময়াম মান্নরগা ওনবতনি, মমিংদুগী ৱাতনি। মিংথোন হায়বসি ওনবা য়াবা ঙাক্তনি, হান্না পংহোংদা হোংনরিবা অসিনি। লাইসু অমত্তনিদি হায়রগা মমিং হোংলগা নীংনরিবনি। য়েক-সলাই, য়ূম্নাক হায়রিসিসু মিংথোনগী ৱানি, হোংবা য়াওরিবনি। ময়াম হোংনরক্লিবনি, মীংথোলনি, টাইটলনি, এদ্রেস পীবনি। ঈগী মচু অমা পীবা নত্তে, হোংবা য়াবা ঙাক্তনি, ওনবা য়াবা ঙাক্তনি। করিগীনো, অপূনবা অমদা ওনবা কৈদৌবা?

কোভিদ-১৯না হায়রিবসি মসিনি খল্লি। হেক লাকপগা খনখিবদু তপ্পা তপ্পা ওনখ্রবরা? ওনবগী ওনবা ওল্লদৌবনি হায়দুনা নুমিৎ খুদিংগী মপোক ওনবা, পার্টি ওনবা, লাই ওনবা, নুপী ওনবা, জজমেন্ট ওনবমক্তি ফওেদনা। থরো-থরো ওন্থরকপদা শিগন্দবদু তারে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।